ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




আই সী এ আর- এন আই এন এফ ঈ টি, কোলকটা অমসুং মণিপুরগী লৌউ লোয়শঙগী মখাদা কে ভি কে থৌবালনা নুমিৎ ১০নি চূপ্পা চত্থরকপা স্কিল দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম লোইশিনবদা শকখঙ চে য়েন্থোকখিবা


থম্মোয় পাউদম : হায়-স্কুলদগী প্রি-য়ুনিভর্সিটি - ৭ ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ ঈ দ্রোপ অমনা মিনট ১৫গী মনুংদা লায়না কয়াবু...

'মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরক্লিবশিং থেংনমিন্নবা' ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ অন্দর গ্রেজ্যুএট অমদি পোষ্ট গ্রেজ্যুএটকী ...

হোম এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিনা ইম্মিগ্রেশন এন্দ... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ নেশনল হ্বিলচেয়র বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ...


ন্যু দেল্লীদা লৈবা এদভেঞ্চর স্পোর্টস ইন ইন্দিয়াগী এপেক্স বোদি ওইরিবা নেশনল এদভেঞ্চর ফাউন্দেশন-মণিপুর চেপ্টরগী দিরেক্টর ডা. কাঙবম রোমিওদা বৃগেদিয়র জ্ঞান সিংহ নেশনল এদভেঞ্চর এৱার্দ ২০২৫ খূৎশিন্নবা




Vol. 49, Issue No. 153 | য়ুমশকৈশা, লাংবনগী ১১নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, September 03, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## 'গভর্ণর-ইন-কাউন্সিল' গী মীফম পাঙথোক্লম্লবা মতুংদা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লা দেল্লীদা চৎখ্রে, থা অসিগী ৫দা হল্লক্কনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী অনীশুবা চয়োলদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মিজোরাম অমসুং অসামদা চৎপগী ৱাফম লৈখায় তাখিবদগী অৱাং-নোংপোককী ষ্টেট অনীসিগী খোঙচৎতা মহাক্না মণিপুরদসু পুং খরগী ওইনা শোয়দনা লাক্কনি হায়বদগী মণিপুর লৈঙাক্না মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং শেম শাবা হৌগৎলক্লিঙৈগী চৈরক্তা গভর্ণর এ কে ভল্লা ঙসি নুংথিল দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

মহাক্না রাজ ভবনদগী ইম্ফাল এয়রপোর্টকীদমক নুংথিল পুং ১.৩০ তারকপদা চৎখিদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ঙসি অয়ূক পুং ১০.৩০ রোম তারকপদগী মহাক্না চেয়র লৌদুনা রাজ ভবনদা 'গভর্ণর-ইন-কাউন্সিল' গী মীফম পাঙথোক্লমখি। মীফম অসিদা চীফ সেক্রেটরি পুনীট কুমার গোয়ল, গভর্ণরগী সেক্রেটরি সুমন্ত সিংহ, কম্মিস্নর (হোম) এন অশোককুমার য়াওনা লোয়শঙশিংদা সেক্রেটরি ওইরিবা টি ঐচ কিরনকুমার অমসুং হুংয়ো ৱারসাংসু শরুক য়াখি অদুগা কম্মিস্নর (লো) নুংশিতোম্বা অথোকপম য়াওনা জি এ দিগী মকোক থোংবা ওফিশল অমসু শরুক য়াখি।



পুং ১ রোম চত্থখিবা মীফম অসিদা মণিপুর মীয়ামগীদমক করি করম্বা ৱাফম পুথোক্তুনা খন্নখিবগে হায়বদুদি রাজ ভবনদগী ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা ওফিশল ওইনা চেরোল অমত্তা থোরকখিদবনা খঙবা ঙমখিদ্রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা গভর্ণরনা ঙসি দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রিবসি হয়েং অমসুং হংচিৎতা নুমিৎ নীনি চূপ্পা দেল্লীদা পাঙথোক্কদবা লৈবাক অসিগী জি এস টি কাউন্সিলগী মীফমদা শরুক য়ারুনবনি হায়রি।

### প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরদা লাক্কদবা ওইরবদি মি জোরামগী আইজোলদগী চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তা হান্না থুংগনি অদুগা মীয়ামগী মীফমদা ৱা ঙাঙলম্লবা মতুংদা ইম্ফালগী কংলাদা লাক্কনি

মরম অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মিজোরাম অমসুং অসামগী খোঙচৎ মনুং চন্না মণিপুরদা লাক্কনি হায়না থৌরাং তৌরিবা অসিগদি মরী লৈনরমগদ্রা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এম এস পি দি সী এলনা পাঙথোকখিবা রিক্রুটমেন্টগী রিজল্ট হায়দোক্ত্রে হায়দুনা হায় কোর্টতা ৱাকৎলিঙৈদা রিক্রুটমেন্ট অদু কেন্সেল তৌখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচএনএস) :**

মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুশন কম্পনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল) না ঙসিদগীনা চহী ৬ রোম হেনবগী মমাঙ জন্যুৱারী ৩০, ২০১৯দা থোকখিবা এদভর্টিজমেন্ট নোটিফিকেশন নম্বর ৬/৭৯/২০১৮-এম এস পি দি সী এল (ঐচ আর) ২৪.৫০.৫৫গী মতুংইন্না কম্পনি অসিগী তোঙান তোঙানবা পোষ্টশিংগী য়াল্লবা মীওইশিং লৌনবগীদমক পাঙথোকখিবা রিক্রুটমেন্ট অদু হৌজিক চহী ৬ হেল্লক্লবা ফাওবদা মসিগী রিজল্টশিং লাউথোক্ত্রে হায়রদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা লাউথোকহনবীনবা ৱাকৎপদগী কোর্ট অসিনা ৱায়েল চত্থরক্তুনা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি, পৱার দিপার্টমেন্টকী কম্মিস্নর/সেক্রেটরি অমসুং কম্পনি অসিগী মেনেজিং দিরেক্টরদা চয়োল ৪গী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিসশিং মমাঙ থাগী ৪দা ইস্যু তৌরিঙৈগী চৈরক্তা কম্পনি অসিগী মায়কৈদগী পাঙথোকখিবা রিক্রুটমেন্টশিং অদু কেন্সেল তৌরে হায়না ফোঙদোকখ্রে হায়রি।



ৱাফম অসি মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটেরিএট : পৱার দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি অমনা এম এস পি সী এল/এম এস পি দি সী এলগী মেনেজিং দিরেক্টরদা ঙসি ইখিবা চেরোল অমদা ফোঙদোকখিবনি হায়রি।

দেপ্যুটি সেক্রেটরি (পৱার) গী চেরোল অসি সোশল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরকপদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিট পিটিশন (সী) নম্বর ৫৭৫ ওফ ২০২৫ ফাইল তৌরকপদা পিটিশন অসিগী পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেটতা পাউচে অসিনা ভাইরেল ওইরক্লিবা কম্পনি অসিগী রিক্রুটমেন্টশিং কেন্সেল তৌবগী ওর্দর অসি অচুম্বরা হায়না হংলুবদা মহাক্কী মায়কৈদগী চুম্লে অমসুং কনফার্ম তৌরে হায়না ফোঙদোরকখি।

দেপ্যুটি সেক্রেটরি (পৱার) গী চেরোল অদুনা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা ওন গোয়িং রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস অসি কেন্সেল তৌরে। ষ্টাফ সিলেক্সন কম্মিশনগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### এম য়ুগী সেক্সন ১সুং দিপার্টমেন্ট পূম্নমক্কী 'নোটিং এন্দ দ্রাফটিং' দা হিন্দি শীজিন্ননবা হায়রকপদগী ৱাথোক ওইরক্কদৌরে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচএনএস):**

মণিপুরদা লৈবা য়ুনিভর্সিটিশিংগী মনুংদগী মহৈরোয়শিং খ্বাইদগী মশীং য়াম্না তম্বা অমসুং সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটি ওইরবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সেক্সন পূম্নমক য়াওনা দিপার্টমেন্ট পূম্নমক্কী 'ওফিশল নোটিং অমসুং দ্রাফটিং' গী থবক্তা হিন্দিলোল শীজিন্ননবা খঙহল্লকপদগী ৱাথোক ওইরক্কদৌরে।

ৱাফম অসি মহৈকোল অসিগী রেজিষ্ট্রার প্রোফেসর এম প্রেমজিৎনা মমাঙ থাগী ২৯দা থোকখিবা ওফিস ওর্দর নম্বর ২৭৪গী মতুংইন্না মহৈকোল অসিগী ভি সী, ফাইনান্স ওফিসর, কন্ত্রোল্লর ওফ এগজামিনেশন্স, দিন/হেদ/দিরেক্টরশিং, ওফিসরশিং, সেক্সনেল হেদশিংদা খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

রেজিষ্ট্রারগী ওফিস ওর্দর অসিদা মহৈকোল অসিগী ওফিশল নোটিং অমসুং দ্রাফটিংদা হিন্দিলোল শীজিন্নৱা নৎত্রগা শীজিন্নদৱা হায়বগী মতাংদা চহী অমদা থা ৩/৩গী ওইনা মরী লৈনবা সেক্সন অমসুং দিপার্টমেন্টশিংদা রিভিয়ু তৌগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখ্রে হায়রি।

ওর্দর অসিগী মায়োক্তা মহৈকোল অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ লিঙ্গ্যুষ্টিককী মহৈরোয় ময়াংলম্বম মালেমঙানবনা ঙসি রেজিষ্ট্রারদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা হিন্দিলোলবু মহৈকোল অসিগী ওফিশল নোটিং অমসুং দ্রাফটিংদা শীজিন্ননবা খঙহল্লকখিববু য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

মহাক্কী চেরোল অদুনা হায়, লৈবাক অসিগী ওফিশল লেংগ্বেজ অমা ওইরিবা হিন্দিগী মরু ওইবশিং খঙই অদুবু কম্পলসরি ওইনা শীজিন্ননবা খঙহল্লকপগী থৌওংদি হকচিন্না লৌই হায়খি।

ওর্দর অসিনা কন্সটিট্যুশনগী মল্টিলিঙ্গুএল স্পিরিটপুসু খোঙ্গাওনবগা লোয়ননা মণিপুরগী লিঙ্গ্যুষ্টিক হেরিটেজ ওইরক্লিবা মীতৈলোল অমসুং ইংলিসনা প্রাইমারি ওফিশল অমসুং একাদেমিক লেংগ্বেজ ওইনা শীজিন্নরক্লিবা অসিবুসু হন্থনা য়েংবা মীৎয়েংদা য়েংবা থৌওংনি হায়খি।

মরম অসিনা রেজিষ্ট্রারনা থোকখিবা ওর্দর অসি অমুক হন্না খন্থবীয়ু হায়রদুনা মণিপুরী অমসুং ইংলিস লোলবুসু ফ্লেক্সিবল লেংগ্বেজ পোলিসিগী মখাদা থম্বগী মহুত্তা লোল অনী অসিবু ইকায়খুম্নবীয়ু অমসুং কম্পলসরি ওইনা চৎনহন্নবা খঙহল্লকপগী মহুত্তা হিন্দিবু ওপসনেল মীদিয়ম ওইনা শীজিন্ননবা ওন্থোকপীয়ু হায়জখ্রে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

HL-B/9821/3

### হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা কেস ৫,৫০০গী মথক্তা পেন্দিং লৈরে

## কোর্ট অসিগী অৱাংপা জজশিং হাপচিনবীনবা ১সুং মশীং হেনগৎপীনবা হায় কোর্ট বার এসোসিএশননা তকশিনখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচএনএস) :** জজ মঙা লৈফম থোক্লিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা হৌজিক চীফ জষ্টিস য়াওনা জজ অহুমখক্তমক লৈবনা কেস কয়া পেন্দিংদা লৈরিবসি খরমখৈ কোকহন্নবা কোর্ট অসিগী অহাঙবা জজগী পোষ্টশিং মেনশিনবীয়ু অমদি মীয়ামদা জষ্টিস ফংহনবদা হেন্না খুদোংচানবা জজ মশীং হেনগৎহনবীয়ু হায়না হায় কোর্ট বার এসোসিএশন ওফ মণিপুর (ঐচ সী বি এ এম) না য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লো অমসুং জষ্টিস মিনিষ্টর অর্জুন রাম মেঘাৱাল অমদি লৈবাক অসিগী চীফ জষ্টিস বি আর গভাই উন্দুনা অইবা চেরোলশিং পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে হায়রি।



ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল মন্ত্রিপূখ্রিগী হায় কোর্টকী কমপ্লেক্সতা লৈবা এসোসিএশন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা এসোসিএশন অসিগী প্রসিদেন্ট সিনিয়র এদভোকেট নাওরেম কুমারজিৎনা ফোঙদোক্লদুনা হায়, কুমজা ২০২৩গী মার্চতা হায় কোর্ট ওফ মণিপুর অসি জজ ৫ লৈগদবা হায় কোর্ট ওইনা লিংখৎখ্রবসু ঙসি ফাওবা চহী ১২ হেনবগী মতম অসিদা অয়াম্বা মতমদা জজ অনী নৎত্রগা অহুমখক্তা লৈবনা অয়াম্বা ওইরে। কোর্ট অসিগী জজগী অহাঙবশিং মেনশিন্নবা হোৎনবদা মতম কুইনা চঙবা মরম্না চহী ১২ হেল্লক্লবা ফাওবদা জজ মঙা ...মখা লমায় ৮ কলম ২

## মোদি লাক্কনি হায়বদগী লৈঙাক শেম্নবা বি জে পিগী এম এল এশিং ফি শেম্বা অমুক হৌরে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী অনীশুবা চয়োলদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মিজোরাম অমসুং অসাম খোঙচৎকী মনুং চন্না মণিপুরদসু পুং খরগী ওইনা লাক্লমগনি হায়বদগী মতম খরা লেপ্লুরবা মতুংদা বি জে পিগী এম এল এ খরনা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নবগীদমক মফি শেম্বা অমুক হৌরক্লে।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি বাবুপড়া মনুংদা লৈবা এম এল এ, কে রোবিন্দ্রোগী য়ূমদা বি জে পিগী এম এল এ ১৪না শরুক য়াদুনা 'ক্লোজ দোর মীটিং' অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসি ঙসি অয়ূক পুং ১১ রোম তারকপদগী হৌরগা চাউরাক্না পুং ৫ রোম চূপ্পা চত্থখি হায়রি।

মীফম অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা মণিপুরদা মীয়ামগী অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নগী মতাংদা খন্নখি হায়রি।

ঙসিগী মীফমদা স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রত য়াওনা শরুক য়াখিবা এম এল এশিংগী মনুংদা ৱাই খেমচান্দ, টি ঐচ বিশ্বাজিৎ, টি ঐচ রাধেশ্যাম, কে ঐচ জয়কিষণ, টি ঐচ অরুনকুমার, ৱাই রাধেশ্যাম, য়ুম্নু ওইখিবা কে রোবিন্দ্রো, টি রোবিন্দ্রো, এস কেবি, এল রামেশ্বর, পি ব্রোজেন, ...মখা লমায় ৩ কলম ২





HL-B/1918/1,3,7,9,11

